থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# নুপী দ্রামা ফেষ্টিবেল ! হঙ্গৎনা য়েংলুবা - ৩




অৱাং-নোংপোক-ভারত হায়বা ৱাহৈ অহুমগী ৱাপা অসি চূনদে, নোর্থ-ইষ্ট হায়বই মহুৎ ফার-ইষ্ট-হায়গদবনি, ফার-ইষ্ট-ইন্দিয়া হায়বনা চূনবা হেল্লি হায়দুনা মরৈ য়েৎচবা ঐগী মরুপ অমা লৈ। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ব্যুরোক্রেট ওফিসর অমা ওইরম্মী। অকূপ্পা, অশেংবা মমিংদুদি হায়দোকচররোই। চন্দ্রকুমার কৌই। অসিমত্তং খঙবীয়ু। মাগী অর্গুমেন্টকী মায়ওনসিনা অমনি। নোর্থ ইন্দিয়া হায়রগা মীয়াম্না খঙনরিবসি বিহার, য়ু পি, উত্তরখণ্ড, হিমাচল, দিল্লি, চান্দিগর, কাশ্মীরনচিংবা ময়ামসিনি। নোংপোক থংবা হায়রগনা বঙ্গাল অমদি ওরিষা ফাওবা খঙনবরা? নোংপোক থংবা সমুদ্র তোর্বান পরিংসিদা তারিবা অতৈ ষ্টেটশিং - অন্ধ্র, টেলঙ্গনা, টামিল নাদু, পুদুচেরি অমদি টামিল নাদু- কৈদৌঙৈদা নোংপোক-ভারত ওইনা শক্তাল্লক্তে, খা-ভারত-ষ্টেট ওইনা শকখঙলকই। অদুনদি, ঐগী মরুপসিনা হায়রিবা ৱাসিদা (ফার-ইষ্ট-ইন্দিয়া হায়না শক্তাকপসিদা) অচুম্বা অমা য়াওরি। অদুবু অৱাং নোংপোক হায়না খঙনখ্রবনা অসুম্ন'সুম হায়নরে। নোর্থ-ইষ্ট-ইন্দিয়াগী নুপী থিয়েটর দাইরেক্টরশিংগী ওইবা দ্রামা ফেষ্টিবেল-ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাও খুন্নৌ, অৱা-চীংথক্তা পাঙথোল্লি খেঞ্জোংলাংনা শীন্দুনা। ফেষ্টিবেলদুগী মঙাশুবা প্লে 'এন্তিগোনে মানিয়া' (এন্টিগোনে-লাইচৎ) - দিসেম্বর ২৮, ২০১৯দা উৎখি। জিরসোং থিয়েটর, গুৱাহাটি'না পুথোকপনি, রোবিজিতা গোগোই'না তাকপী তন্বীবা। 'এন্টিগোনে' - ঙসিদগী চহী ২৪৬২ মুক্কী মমাঙদা গ্রীক-লীলা ইবা 'সোফোক্লেস'না ইরমখি হায়না থাজনবা মমিং চৎলবা দ্রামা অমনি। এন্টিগোনে-দ্রামা অসিগী মীংথোন ওইরিবা ক্যারেক্টর - মহাক্কী অপোকপী মমা'না 'তমথীরবা নোংদমখোন অমদগী মপুক্তগী তাবা মচানুপাগা লুহোংলগা পোকখিবী' নুপী অমগী মমিংনি। মালেমগী মফম অয়াম্বদা লীলা অসি মাগী মাগী লোন্দা হন্দোক্তুনা, চূশিন্ননবা শেমদোক্তুনা শান্নখ্রে। নেসনল স্কুল ওফ দ্রামাদগী হুল্লকপা নুংশিৎনা মণিপুর য়ৌরকখিঙৈদগী, লমসিদসু তোঙান তোঙানবা থিয়েটর দিরেক্টর কয়ানা মওং কয়াদা পুথোক্লখ্রে। তুংদসু পুথোক্লরকখিনি। অসামি-নুপী-দিরেক্টর রোবিজিতা গোগোই'না পুথোক্তুনা মণিপুরদা উৎলরিবা 'এন্টিগোনে মানিয়া', নহানমখৈ মমাঙদা উখিবা খূৎপুথোক কয়াদুদগী পূমতোং তোঙানবা খূৎপুথোক্লি। মহাক্কী 'এন্টিগোনে' ওরিজিনেল টেক্স অদু নৈনরগা, মদুদগী শেমদোক্লগা পুথোরকপা নত্তে, ওরিজিনেলদুনা ইথিল পীরগা ফ্রেঞ্চ প্লেরাইট 'জাঁ অনহুইল'না ১৯৪৪দা এদাপ্ট তৌদুনা ইথোকখিবা খূৎই অদুনা ইথিল পীরগা রোবিজিতা গোগোইনা মহাক্কী ওইবা মীৎয়েং অমদা নৌনা পুথোক্লকপা খূৎপুথোকনি। 'অনহুইল' গী এন্টিগোনে অদুদি মতমদুগী ফ্রান্সকী লৈঙাকপা 'মার্সেল পিতেইন' গা 'ক্রিওন'গা পান্দম্নদুনা লৈঙাক্তুদা এটেক তৌবা খূৎই অমনি ঙাঙনখি। রোবিজিতাগী খূৎপুথোক (রি-এদাপ্তেসন) অসিদি কনাগুম্বা অকক্লবা রুল্লর/পোলিটিকল ওথোরিটি অমদা অশীংনবা খূৎপুথোক অমা হায়বদু ওইদে। এদাপ্টেসন/শেমদোকপা প্লে হায়বসিমক্তবু ওরিজিনেল খূৎই অদুদগী, মরী শুকলৈ লৈনদনা লাপথোকপদি শুকয়া যাদে। এন্টিগোনে'গী মপা (মমা মরীদা য়েংলগনা মবুং), নিংথৌ ইদিপস লৈখিদ্রবা মতুংদা নিংথৌ খুভমদুগীদমক্তা মবুং অনী 'ইতিওক্লস' অমদি 'পোলিনিসেস' লান শোক্লবদা অনীমক মথ্বায় থাখ্রবদা মমা ইবেম্মা জেকোস্তা'গী মবুং, এন্টিগোনেগীনা মাম্মা 'ক্রিওন'না নিংথৌ খুভম পায়রকখি। খূৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রবা মচিন মনাও অনীগী মরক্তা অমা (পোলিনিসেস) কী অশিবা হকচাং, লৈরোন চন্দনা লমহাঙদা লংথোক্তুনা থম্নবা নিংথৌগী য়াথং অদু শীংনদুনা লৈরোন চল্লুবদগী থোক্লকপা ৱাথোক লাম্থোক, মূক্লবা ময়াম অদু উৎথোকপা প্লে অমনি 'এন্টিগোনে'। রোবিজিতা'না হায়রি - ঙসিগী মোদর্ন ৱর্ল্ড - ইমুংদা অমসুং খুন্নাইদা মূক্লবা অমদি অঙম তান্নবগী ক্রাইসিস - এন্টিগোনে অমসুং ক্রিওন, অনী মূক্লখিবদুগা করিদা খেন্নরিবগে? অদুবু, মহাক্কী খূৎপুথোক অসিদা ইস্যু অনী অসি মায় পাক্লা চূশিন্নহনবা ঙমদে।

দিসেম্বর ২৯, আগরটলাগী 'জাগৃতি কলচরেল সোসাইটি'না পুথোকপা বেঙ্গোলি যাত্রা 'মীরারের বোধুআ' (শাগৈগী মৌ মীরা) উৎখি। মীপূম তিংনা খঙনরবা, ১৬শুবা চহীচা'দা রাজস্থানগী রাজপুট -ইমুং অমদা পোকখিবী, কৃষ্ণ ভক্তিদা থৱায় লূপচবী, ১৫১৬তা মশাগী অনীংবা/অপাম্বগী মায়োক্তা মেৱারগী নিংথৌ 'ভোজ'গা লুহোংখিবী মীরাবাইগী ৱারীনি। মশানা মহাক্তি কৃষ্ণদা লুহোংলবীনি, মহাক্কী মপুরোইবদি কৃষ্ণনি হায়জবী, মনেম-মকুনা ইন্থোকখিবী, মপুরোইবা নৌনা কায়নখিবী, ভোজ-রাজ'না শিখ্র'তুং 'বিক্রম'না নিংথৌ ওইরক্ল'তুং, কয়ারক হন্না হাৎকে তেমশিংনখিবদা মায় পাকখিদবই ৱারীদু বেঙ্গলিশিংগী ত্রেদিসনেল ফোর্ম ওফ থিএটর 'যাত্রা পালা' গী মওংদুদা উৎপনি। ঐখোয়নদি উনীংখি - ত্রিপুরা (ত্রিপুরিশিং) গী ওইবা ত্রেদিসনেল থিয়েটর। হৌজিক্তি ৱাহং অমা থোরক্লে - ত্রিপুরীশিংগী ওরিজিনেল (ত্রাইবেল) কলচর লৈজরমদবরা? নৎত্রগা, কলচর অদু মূৎথৎখ্রগা বেঙ্গোলিশিংগীনা শিনখ্রবরা? 'মীরারের বোধুআ' - ত্রিপুরাগী বেঙ্গোলি-যাত্রা-প্রোফেসনেল-আর্টিষ্টশিংনা শান্নবা যাত্রা-পার্ফের্মেন্স অমনি। পর্ফোর্মেন্স অদু উরুরগা অঙনবা মতমগী 'মণিপুরী -যাত্রাৱালি' অমদি 'মণিপুরী প্রোসিনিয়ম থিয়েটর' পার্ফোর্মেন্স নীংশিংহল্লি। মতমদুগী অহলশিংনা তৌরম্বা এক্টিং ষ্টাইল অদুমক্লি। মণিপুরী মতম ঈশৈগী হৌরকফম 'মণিপুরী প্রোসিনিয়ম থিয়েটর' নি হায়নরিবই মরম নীংশিংলকই - ম্যুজিসিয়ন অমদি সিঙ্গরশিং অয়েংবশিং' - মরক্তা লৈবদু ফম্বাক মরুমদা লৈখিবদুতনি খেন্নবা। অদুবু, ঙসিগী শুমাং-লীলা, মতমদুগী যাত্রাৱালিদুদগীদি ফনা ফজনা লাপথোক্লরক্লে, হিন্দি-ফিল্ম অমদি মতমসিগী লিটরেরি এলিমেন্টশিংগী চৈফুনা য়ৈবদা। বেঙ্গোলিশিংগী যাত্রা'দি মতমগী চৈফু-চৈথেংনা শোকপা থেংবা ঙমদরি।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# সেক্সুয়ল্লি ট্রান্সমিটেদ দিজিজকী মরমদা খঙগদবশিং-২



ঐচ আই ভী: ঐচ আই ভী অসি খ্বাইদগী শাথিবা এস টি দি মখলশিংগী মনুংদা অমনি। ঐচ আই ভীনা ইম্যুন সিষ্টেমবু মাঙ তাকহন্দুনা অতোপ্পা বেক্টিরিয়াশিং নৎত্রগা ভাইরসশিং অমদি অকক্লবা কেন্সর মখল খরা নাহল্লকপগী রিস্ক ৱাংখৎহল্লি। ঐচ আই ভী অসি লায়েংদনা থল্লগদি এইদস হায়না খঙনবা ঐচ আই ভীগী ষ্টেজ ৩ নাহল্লকই। অদুবু হৌজিক হৌজিক লৈরিবা লায়েংশিং অসিনা মরম ওইরগা ঐচ আই ভীগা লোয়ননা হিংলিবা মীওইশিংগী মরক্তা এইদস দিভেলপ তৌরক্তবা মীওই কয়া লৈরে।

ঙল্লিঙৈ তাঙ্কক নৎত্রগা একুয়ট ষ্টেজতদি ঐচ আই ভীগী সিম্পটোমশিং অসি ফ্লুগা মান্নবা কয়া য়াওবনা ফ্লুনি হায়না খনবা য়াওই। খুদম ওইনা অঙনবা তাঙ্কক্কী সিম্পটোমশিংগী মনুংদা লাইহৌ, নীংথম চনবা, হকচাং থীন্দোকপা-চীকপা-নাবা, মি কাবা, খৌনাউ চাথৎপা-নাবা, কোক চীকপা, ওনীংবা অমদি ফুরি থুংবনচিংবশিং য়াওই।

হায়রিবা হৌগৎলকপা মতমগী সিম্পটোমশিং অসি অয়াম্বনা থা অমরোমগী মনুংদা মাঙখিবা য়াই। মসিগী মতুং চহী কয়াদি শাথিবা লাইওং উত্তবসু য়াই, অদুবু ঐচ আই ভীগী মহীক অদু মীওই অদুদা য়াওদুনা লৈগনি। অদুবু মীওই খরদদি তোয়না তোয়না চোকথগনবা, লাইহৌ, কোক চীকপা, চাকখাউগী ওইবা অনাবনচিংবা অতোপ্পা লাইওংশিং থেংনবা য়াই।

হৌজিকফাওবগী ওইনদি ঐচ আই ভী ফহন্নবা লায়েং লৈত্রি, অদুবু হেঞ্জিল্লক্তনবগী লায়েং মখল কয়াদি লৈ। ইফেক্টিব ওইবা লায়েং শিজিন্নদুনা ঙন্না লায়েং চথ্থৌরবদি ঐচ আই ভীগা লোয়ননা হিংলিবা মীওইশিংসু ঐচ আই ভী পক্তবা মীওইশিংগা চপ মান্ননা পুন্সি শাংনা হিংবা য়াই।

মতীক চাবা লায়েং চথ্থরবদি যূম্বান মরী থম্বা তারবসু অতোপ্পা মীওইদা ঐচ আই ভী শন্দোকপা য়াবগী চাং হন্থহনবা ঙম্মী। শেংনা হায়রবদা, লায়েং চথবনা হকচাংদা য়াওরিবা ঐচ আই ভী অদু অনদিক্টেটেবল লেভেলদা হন্থহনবা ঙম্মী। সী দি সীগী মতুংইন্না অনদিটেক্টেবল লেবেলদা লৈরবদি ঐচ আই ভী অসি অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকপা ঙমদে হায়রি।

রুটিন টেষ্ট তৌদ্রগদি ঐচ আই ভী পল্লবা মীওই কয়া মশাদা ভাইরস অসি লৈরে হায়বা খঙজদে। মহীক অসি লৈবরা লৈতবরা হায়বা ঙন্না খঙদোক্লবগীদমক অমদি ঙন্না লায়েংহৌবা য়ানবগীদমক মশাগী চহী ১৩ দগী ৬৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং অমুক্তং ওইরবসু টেষ্ট তৌগদবনি হায়না সী দি সীনা রেকম্মেন্দ তৌরি। ঐচ আই ভীগী রিস্ক ৱাংবা মীওইশিংদি সিম্পটোম অমত্তা উৎলক্ত্রবসু চহী অমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অমুক্তং ওইরবসু টেষ্ট তৌথোক্কদবনি।

**গোনোরিয়া:** গোনোরিয়া হায়বসি খ্বাইদগী তোয়না থেংনগনবা বেক্টিরিয়ল এস টি দি মখল অমনি। মসিবু 'দি ক্লেপ' হায়রগসু খঙনৈ।

গোনোরিয়া নাবা মীওই কয়াদা সিম্পটোম অমত্তা উৎতবা য়াওই। অদুবু সিম্পটোমশিং উৎলক্লবদি মখাগীশিং অসি উবা ফংগনি:

- ফিনুংগী হকচাংদগী অঙৌবা, নাপু মচু নৎত্রগা অশংবা মচুগী দিসচার্জ তৌরকপা
- যুম্বান মরী থম্নরিঙৈ নৎত্রগা মপান থোকপা মতমদা নাবা অমদি য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওবা
- মপান য়াম্না তোয়না থোকপা
- ফিনুংগী কয়াৎকী অকোয়বদা হাক্কচবা
- খৌনাউদা চাথৎপা-নাবা অসিনচিংবশিং।

গোনোরিয়া অসি লায়েংদনা থল্লবদি মখাগী খুদোংচাদবশিং অসি থোকহল্লকপা য়াই:

- যুরেথ্রা, প্রোষ্ট্রেট গ্লান্দ নৎত্রগা টেষ্টিকলশিংদা ইনফেক্সন তৌবা
- পেলভিক ইনফ্লেমেটরি দিজিজ
- ইনফর্টাইলিটি

গোনোরিয়া নাবা মমা অমদগী নৌনা পোক্লকপা মচাদা লায়না অসি শন্দোকপা য়াই। মতৌ অসুম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইবা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া অঙাং অদুদা থোকহল্লি। মরম অসিনা মীরোনবী নুপীশিংনা এস টি দি নাবরা হায়না টেষ্ট তৌগদবনি। গোনোরিয়া অসি এন্টিবাইওটিক শীজিন্নদুনা লায়েংবা ঙম্মী।

**প্যুবিক লাইস (ক্রেবস) :** প্যুবিক লাইস অসিবু ক্রেবস হায়রগসু খঙনৈ। মখোয় অসি ফিনুংগী শমদা লৈবা অপীকপা ইনসেক্টশিংনি। কোক্তা লৈবা হীকপীগুম মখোয় অসিসু মীওইবগী ঈ চূপ্পুনা হিংই।

তোয়না থেংনগনবা সিম্পটোমশিংদি: ফিনুং অমদি অমাংথোঙগী অকোয়বদা হাক্কচবা, ফিনুং অমদি অমাংথোংগী অকোয়বদা অঙাংবা নৎত্রগা পিঙ্ক মচুগী অপোম্বা মচা মচা লৈবা, লাইহৌ খজিক-খজিক হৌবা, পাঙ্গল শোন্থবা, ইরিটেবিলিটি অসিনচিংবশিংনি।

ফিনুংগী শম মখোঙদা হীক মকুপ নৎত্রগা মখোয়গী অঙৌবা মরূমশিং উবা ফংবসু য়াই। মেগ্নিফাইয়িং গ্লাসকী মতেংনসু উবা ফংই।

প্যুবিক লাইস অসি লায়েংথোক্তবদি অতোপ্পা মীওইশিংদা হকচাংগা হকচাংগা থেংনবা মতমদা নৎত্রগা ফিরোল, ফমুং অমসুং ফদী পূনবদা শন্দোকপা ঙম্মী। মহীক অসি লৈরে হেক খঙবগা খুদক্তা লায়েংথোকহৌবনা খ্বাইদগী ফৈ।

হকচাংদা প্যুবিক লাইস লৈরে খঙলবদি ওভর-দ-কাউন্টরগী ট্রোপিকেল ওইন্টমেন্ট তৈবা অমদি পাফোই শীজিন্নদুনা মহীকশিং অসি লৌথোকপা য়াই। ফি-রোল, ফমুং-ফানুং, ফদী অমদি যূমসু শেংদোকপা য়াম্না মরু ওই।

# নুপী দ্রামা ফেষ্টিভেল লোইশিনবা নুমীৎতা পেবেৎ উৎখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস): খেঞ্জোংলাং ইম্ফালনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমী অমদি সঙ্গীত নাটক একাদেমী ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্ননা শীন্দুনা কৈরাওদা লৈবা খেঞ্জোংলাংগী দ্রামা হোলদা চথরিবা নুপী দিরেক্টরশিংগী ওইবা দ্রামা ফেষ্টিভেল লোইশিনবা নুমীৎতা কলা ক্ষেত্রগী পেবেৎ উৎখ্রে।

কলা ক্ষেত্রগী পেবেৎ হায়রিবা দ্রামা অসি হৈস্নাম কহ্নাইলালনা দিরেক্সন পীবনি। প্লে অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি পেবেৎ মমাদা সাবিত্রি, পেবেৎ মচাশিংদা ধনঞ্জয়, রাবা, পাঙম্বম তাইসন, রোমারিয়ো থৌদাম, হুইদ্রোম হোলিনা, গুরুঅরিবম রেনুকানি। হৌদোং লম্লোইবদা হৈস্নাম তোম্বা, ষ্টেজ মেনেজরদা অহন্থেম উপেন্দ্রো, সেট এন্দ কষ্ট্যুমদা গুরু কোকেন, লাইটতা লাইশ্রম ইবোচৌ, প্রদক্সন মেনেজরদা খ্বাইরাকপম উশাকান্তা, প্রদক্সন কলা ক্ষেত্র, দিরেক্সন হৈস্নাম কহ্নাইলালনি। দ্রামা অসিদা পেবেৎ মমানা মচাশিং কনবগী মশক অদু উৎলি।

অমরোমদা, নুপী দ্রামা ফেষ্টিভেলগী ঙরাংগী ওইনা পান্থোইবী নিশাবন্দ লীলা লূপ মণিপুরনা শান্নবা খম্বা-থোইবী পুন্সি লৈপুন উৎখি। দ্রামা অসি তখেল্লম্বম কমলানা দিরেক্সন পীবনি। অইবনা ঐচ যাদুমনিনি।

## লৈকোলগী চেফোঙ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০২ (ঐচএনএস): কুমারী থোইবীগী ১০০ শুবা মপোক কুম্মওন হৌদোকপগা লোয়ননা লৈকোলগী চেফোঙ ফোঙবগী থৌরম অমা ঙসি ওল্ড এসেমব্লীদা লৈবা ম্যুজিয়ম এন্দ অর্কাইবসকী মিনি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ফিল্ম ক্রিটিক আর কে বিধুরনা হায়খি, অনৌবা চহী অমা ওইনা নুপীশিংগী খুদোলদা লৈকোলনা পাঙথোক্লিবা অসি মরুওইবা অমা ওইরে। লিটরেচরগী স্কোলার ওইনা লৈরক্লবা অমদি হোৎনরক্লবা মীশিংগী মনুংদা থোইবীসু অমনি। থোইবী অসি য়াম্না ট্রেজিক ওইনা লাকপা মীওইনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা লৈমরোলনা খোর্জেকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিনা হায়খি, লৈকোল শক্লাইরবী লময়ানবী অহুম মথংশিৎনা কুমারী থোইবী, মহারাজ কুমারী বিনোদিনি অমসুং খাইদেম প্রমোদিনিগী মপোক থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়নসু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অখন্নবা মীথুংলেন ওইখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হান্নগী হেদ প্রোফেসর নহাকপম অরুনানা হায়খি, কুমারী থোইবীনা লিটরেচরগী লমদা লৈরিবা হীরম কয়াদা খুৎ থাবীরম্বনি। শৈরেং কয়াসু ইদুনা পুথোক্লম্মী। ইরাবতকী তুংইনবী অমা ওইনা ইরাবতনা ৱা ঙাংখিবা কয়াবু ইশিন্দুনা থল্লমখি। নুপী অইবী লময়ানবী অহুমগী লম্বীসিদা চৎনবা অইবীশিং পুন্দুনা হোৎনবনি। মখোয়না লমজিংলিবা লম্বীদা চৎনবা হোৎনবদা মশক নাইরবী অইবীশিং খক্তা নত্তনা নুপীশিংনা ইরগা লাইরিক ফোঙদোকপা ঙমদ্রিবশিংসু লৈকোলদা য়াওবীরকউ। অইবী নুপীশিংগী ওইবা থৌনাশিং অদু পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অখন্নবা মীথুং ওইখিবী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী সেক্রেটরি মুতুম রমনিনা হায়খি, কুমারী থোইবীনা ওজা ওইরম্বা মতমদা মহাক স্কুল অদুদা তমদুনা ক্লাস য়াওরকখি। থোইবী ইরাবতকী তুং ইন্দুনা থৌদাং লৌরম্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।১।২০২০, ইরাই,
ৱাকচীংগী ৮নি পানবা ।

**মেষ :** অনম তানবা অমদি ফিংবা য়াদবা নুমিৎনি। নোল্লুক্লা অমদি তপথনা চৎপনা মাঙগদবা কয়াদগী কঞ্জবা ঙমগনি। লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াখিরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/কবিরৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** শেল অমদি অরং অরাক ফংবা য়াবা লৈ-য়েৎনবা অমদি খৎনবা য়াওগনু। লোয়নবগী মতেং লৌবা য়াগনি। ৱাখল থোক্কনি অদুনা খন্থরগা থৌ পাংউ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** খুরৌ থাংবা খরা লৈরসু লৌশিং চাওবনা অমদি লাইবক ফবা নুমিৎ ওইবনা নীংবা থুংগনি অমদি ওইজবা ফংগনি। অনীংবা থবক্তা শেল থাদবসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** পূক্লিং তয়াং তশোইবা খরা লৈগনি-অদুনা অখঙ অহৈগী ৱা হিক্তোক্কনু। অনৌবা মীশিংগা ৱাখল তামিন্নবা খরা ৱাৎকনি। লনদি থোইনা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা খক লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**সিংহ :** ৱাঙাং চেকশিল্লু অমদি খোইরাংগনু-নত্রদি ইকাই নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা অমদি মরম চাদনা শাওনবা লৈগনি। তপথরদি অরং অরাক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কন্যা :** লাইবক ফগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি, মীচং ৱাৎলোই অমদি অফবা থবক পাংবা য়াবা খুদোংচাবা লাক্কনি। অরং অরাক লৌবা য়াগনি। হন্থবদি লোয়ননু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** ৱাখল নুংঙাইবা, থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজবা অমদি মীয়াম পুনবৈ হরাওবা নুমিৎনি। অদুবু চিংনবা অমদি ইরোইদা লোয়নৈ। অখঙ অহৈ শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

**বৃশ্চিক :** য়েক্লববু লাকশিনবা ঙল্লোই অমদি মীরক্তা চংলগা নুংঙাইবদুম ফংজগনি। অদুবু খুৎচাও থাবরা হায়বু ময়েং তাগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথরদি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** হন্থবা লোয়নবনা চাদিং হেনবা অমদি কাইনবা নংগনি। মীনা থাগৎপিগনি অদুবু অরং অরাক অমদি ৱাঙাঙদি চেকশিল্লু। মীয়াম লোয়নবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মকর :** নীংবা মপা চাগনি, অনৌবা থৌরমশিং লায়না পাংগনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা কান্নবা ফংগনি। নুংঙাইবা অমদি থাজদনা কান্নবসু য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্না নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** লৈঙাক্কী লম্দা মীকোক থোংগনি, ইমুং-মনুংগী ৱা তারগা পাংবা থবক শোইদনা মায় পাক্কনি অমদি অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি। অদুবু কল্লকপা য়াম্মী।
লৈশা পাখংশিংগী - খন্থদবনা ৱারৌনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।


**মিন :** নীংবা থুংবা, লল্লোন ইতিক্কী লম্দা চাওনা কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। নথক থোংবনা চানগনি অমদি নথৌনা ফুদোক্তুনা অরুবা থৌ পাংহৌরো-মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

## ৱাকচীং

*তিংথৌনু*





Tingthounu is a visual art practitioner.